ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ২৫, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২০৬শুবা মশীং


# মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন

## কুইনা শিহনবা চুল্লোই

নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী) গী গাইদলাইন পরিংদা মণিপুরগীসু হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন লিংখৎখিবনি। অদুবু অহানবা লিংখৎপদা অনৌবা ওইবগীরা করিনো মতিক চাবা চ্যেরপর্সন হাপ্তুনা মথৌ তৌহনখি। হাপফম থোকপা মেম্বরশিং ফাওবা হাপখি। মতৌ য়াম্না মাল্লন্নগা টর্ম লোইখিবদগী চহী ফনা শাংনা পুমশি শিদুনা লৈরকখি। মণিপুরগীসু হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অমা লৈরম্মী হায়বা ফাওবা কাউনখি। মমিং মুৎখি। অদুবু মার্চ ১৫, ২০১৭তা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরকখিবদগী অকাউবগী ইরোলনুংদা নমশিন্দুনা থম্লুরবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) নৌহৌননা মথ্বায় হাপকৎলক্তুনা এক্টিং চ্যেরপর্সন ফাওবগী থাক্তা এপোইন্টমেন্ট পীদুনা পাঙথোকফম থোকপা থবক থৌরমশিং তৌহনখি। খুৎহাপ-চাহাপ্তুসু হান্না মেম্বর অমা হাপ্লবা মতুংদা চ্যেরপর্সনগী থৌদাং লৌহনবা এক্টিং চ্যেরপর্সন ওইহল্লকখিবনি। অদুবু কম্মিসনগী লৈফম থোকপা মেম্বর অনীদি এক্টিং চ্যেরপর্সনগী চহী ৫গী টর্মদা হাপখিদে। হৌজিক্তি নাইতোম লৈরম্বা এক্টিং চ্যেরপর্সন অদুগী মতমসু হৌখিবা ওগষ্ট ৩১, ২০২২দা লোইশিনখ্রে। হৌজিক লোইশিনখিবা থা অনী ফাজিল্লক্কদৌরে। অদুবু কম্মিসন অসিবু শরক শিহন্দনা হিংহন্নবগী থবক্তি মচিন মৈ মুবা হৌদ্রিবগুম্না তৌরি। থৌওংসিদি সিটিজেন সেন্ত্রিক গভর্ণমেন্টনি হায়রিবা লৈঙাকসিগী অচুম্বা, তৌফম থোকপা থৌওং ওইরোই। কম্মিসন অসিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্তনা লৈরকপদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাওবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরকখ্রবনি। কম্মিসন অসিগী তঙাইফদনা চঙলিবা চ্যেরপর্সন অমসুং জুদিসল মেম্বরশিং হাপহনবীয়ু হায়দুনা ৱাকৎলকখ্রবনি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিসনগী থবক থৌরমশিংদা ব্রেক লৈতনবা মমাঙগী টর্মদু লোইদৌরে হায়রকপগা লোইদ্রিঙৈদা মহুৎ শিলহৌনবশিং মাঙজেননা ফাওবা খনজিন্দুনা থম্বা য়াবনি। মখোয়গী থবক্লা মমাঙগী টর্মদু হেক লোইবগা জোইন তৌহন্দুনা পুহন্নবা। অদুবু হান্নগী এক্টিং চ্যেরপর্সনদুগী মতম লোইখ্রবা ফাওবদা মহুৎ হাপচিল্লক্ত্রে হায়দুনা হায় কোর্ট য়ৌনা ৱাকৎনরক্লিবা অসিবু চুম্ব্রা? গ্রেটর ইম্ফালগী মফম খরদগী দিষ্টবর্দ এরিয়া ষ্টেটস লৌথোক্লে অমসুং আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট (অফস্পা) চৎনহন্দ্রে হায়রগা হ্যুমেন রাইটসশিং খোঙ্গাওনবা অমসুং থুগাইবা থৌদোকশিং থোক্ত্রে অমদি থোক্লরোই হায়দুনা লৌবা য়ারোই। মসিগীসু মথক্তা কম্মিসন অসিগী মথৌ, তৌগদবা থবক থৌরমশিং অসিদি ইন্সর্জেন্সিগী প্রোব্লেম লৈ হায়রিবা ষ্টেটসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা খক্তংদা মিৎয়েং চঙগনি হায়বগী ৱাফমসু লৈবা নত্তে। ষ্টেট পূম্নমক্তা লৈরিবা মীওইশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং ফংলক্তবা মতমদা কম্মিসননা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মমিৎতা খুদোম্বী থিল্লগা তাক্কদৌরিবনি। তাননবা হায়গদৌরিবনি। কমপ্লেন্ট পিটিসননা তৌরকপা প্রেয়রশিংদা ‘প্রাইমা ফেসি’ য়াওরম্লগদি চপ চাবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎহনগদৌরিবনি। অদুবু আর্মদ কনফ্লিক্ট সিচুয়েসন খক্তা নত্তনা ইস্যু কয়ানা পুময়োম য়োম্লিবা মণিপুরদা কম্মিসনবু শ্বর শৎতোক্তুনা থম্বা হায়বসি চুমদে। চিন্দা লাই শোল্লগা খ্বাংদা থাঙ য়েপ্লম্বগী থৌওংদুনি হায়রক্কনি। ঙাঙথোক শক্তোরকপদনা মীয়াম্বু নুংশিবগী অথুম্বা ৱা ঙাক্তা ঙাঙবা, থবক্লা তৌদবা, খূৎ য়াওদবগী ফীভমদি চুমদে। হায় কোর্টতা ফাইল তৌরক্লিবা পি আই এল অদুগী মতুংইন্না কোর্টনা মরী লৈনবা রেসপোন্দেন্টশিংদা চ্যেরমেন অমসুং মেম্বরশিং লৌনবগী এদভর্টিজমেন্ট নোটিফিকেসন থোক্লনবা অকক্লবা মতম পীদুনা নোটিফিকেসন থোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু কেস অসি ওক্টোবর ২০, ২০২২দা হায় কোর্টনা অমুক হন্না লৌখৎখিবদা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী নুমিৎ ১০নিগী মতম অমুক্কা পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি। নোটিফিকেসন থোক্কদবা রেসপোন্দেন্ট অমা কনফরেন্স অমগী মপান্দা চখোক্লে হায়বগী মরম পীরকখিবনি। প্রেয়রসি অচুম্ববুদি ওইরম্বা য়াই অদুবু হৈনীংদ্রগা কৈনিং ফম্মী হায়বগী থৌদৌদু মাল্লি হায়বগী ৱানি। সিটিজেন সেন্ত্রিক লৈঙাক্লা মীয়ামগা হকথেংননা মরী লৈনরিবা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন মথ্বায় পালহন্দনা কুইনা থমগনু। কোর্টতসু অনৌবা প্রেয়র অমমুক তৌরক্লগনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫২

১) **“মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবনো?

২) **“অমংবা নোংলক্কী নোংথাং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“নির্মলা”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **“বরাক তুরেল তোর্ব্বান্দা”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমগীনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **“বীর টেকেন্দ্রজিৎ সিংহ”** (১৯৭৩) কৌবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এস টি দিমান্দ পূম্নমক শৌগৎফম থোক্তব্রা?

হেক্তা হায়নীংলকই - ৭২৪


**জিতেন নামৈরাকপম**

মতম মতমগী মতুংইন্না মণিপুরদা অওনবা কয়া, ঈহৌ কয়া মথং মথং লাক্লি। কুমজা ১৯৮০গী মতমদগী হৌজিক্কী মতম কুমজা ২০২২ লোইশিল্লক্কদবা মতম অসি ফাওবদা কাউঙল্লরোইদবা থৌদোক কয়া, ঈহৌ কয়া থোকখ্রে। লালহৌবগী ঈরাং, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্টকী মরুমদা মীচম কয়াদা ওৎ নৈখিবা, কয়া অমনা মরম চাদনা হাৎপীখিবা, ফেক এনকাউন্টর, হৈরাঙ্গোইথোংগী মীহাৎ, মালোমগী মীহাৎ, রিমস হোস্পিটালগী কেম্পসতা পরেং শানা লেপহল্লগা কাপ্তুনা হাৎখিবা, মদুগী মখা তারকপদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংগী কী তুজুংলবা এক্সন কয়া পনবগী লোইবা নাইররোই। কুমজা ১৯৮০গী মতম অদু ঈরাং ফজনা লৈখিবনি। গো বেক ফোরেন্নর, রুট আউট করপসন, য়ু প্রোহিবিসন তৌবগী মতাংদা ফূ চৈখিবা, ঈশিংদা ঈরোইহনবা, কাপ্তুনা ফাওবা হাৎখিবা ঙসিসু নীংশিংনরি। মখা তারকপা ওইনা মণিপুরী লোলনা নিপালশুবা সেদ্যুলদা চলহল্লু হায়বগী ঈহৌসু য়াম্না কনখিবনি।

ঈং-তপ্পা, শান্তি হায়বদু লৈত্রবা মণিপুর হায়বদু ওইরকখি। ইন্নর লাইন পর্মিটকী মতাংদসু মীয়াম হুপ্পা এজিটেসন, প্রোটেক্ট তৌবগী খোঙজং শাফু কন্না চঙশিনখি। বন্দ, ব্লোকেদ, ইকোনোমিক ব্লোকেদ শুংলেপ্পু লেপখিদে হায়বা য়াই। সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট তানবগী থা ২ হেন্না চথুখিবা ব্লোকেদ, নাগা পিছ টোককী নুমিৎ ১৩৯নি চথুখিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ মীয়াম পূম্বা ফেরে ফেরে হাইনা খাঙনখিবা, মদুগী মখা তারকপগী কাউন্টর ব্লোকেদ, ওন্থোকপা মণিপুরগী শক্তম ওইখিবনি। এন আর সীগী মতাংদসু অকনবা ঈহৌ, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট, মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ থুগাইনবা কুকি লেন্দ, ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল, সিক্সথ সেদ্যুল, মণিপুরদা লৈঙাক অনী লৈহন্নবা দিমান্দ, মণিপুর লৈঙাক্লিবা মপি-মপা ওইবশিংসু জাৎ জাৎকী দিমান্দদা তূম্ফম চাফম খঙদবা মখৈ কোক ওন্থোক্লা শারমগনি। মণিপুরমুক শান্তি লৈতবা, ঈরাং থোকপা লম অমা মালেমগী মফম অমত্তদা লৈরমগনি হায়বা থাজবা ঙমদে।

হৌজিক ফোং ফোং শারিবা ঈহৌনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি অসি অমুক ওইহৌরে। চহী ১০ হেন্না চঙশিল্লক্লবা ঈহৌ অসিনা হন্দক মরক অসিদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লক্লি। মণিপুরগী ইন্দিজিনস পিপল, য়েলহৌমী ওইরিবা মৈতৈশিংবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) ঙাকলৌ পীবিদুনা এস টি লিষ্টতা চলহল্লু হায়বগী খোঙজংনি। মসিগী মতাংদা দিমান্দ কম্মিটি অমদি অতৈ খোঙজং অসিবু শৌগৎপা লূপশিংগা পুনশিন্দুনা মিনিষ্টরশিংগী য়ূমদা থোমজিন্দুনা মেমোরেন্দমশিং পীশিনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে। হায়রিবা দিমান্দ অসি খোঙজংলোয়শিংগী অততাই নত্তে। মৈতৈশিংবু মূৎখিদনবা তুংগী মীরোল কলহৌনবগী ঈহৌনি হায়বসি চাদা ৯০ গুম্বনা য়ান্নরবা ৱাফমনি। মীওই খুজোক খরদনি মরৈ মরা তৌদুনা য়েৎলিবসি। মিনিষ্টরশিংগী মরক্তসু পোজিটিভ রেসপোন্স পীরকপগী পাউ তাবা ফংলি। হন্দক্কী খোঙজং অসিদদি মৈতৈশিংবু এস টি লিষ্টতা য়াম্না থুনা চলহনবা য়াবগী থাজবা লৈরে ঙাঙনরি। তৌবতদি লৈঙাক্লা ৱারেপ অমত্তা লৌদনা সেন্টরদা রেকমেন্দেসন থাদনা তূমিন্না সুম লৈশিল্লিবা অসিনি। রেকমেন্দেসন থাবা অদুদা মৈতৈ ফুরুপকী ইথনোগ্রাফি অমদি সোসিও ইকোনোমিক সর্ভে অনী অসিনি হায়রি। ঐখোয়গী হৌরকফম লৈফম, ইপা ইপুশিংগা লৈনবা মরী, ঐখোয়গী হৌজিক ওইরিবা শেল থুমগা মরী লৈনবা, য়ূমলৈ কৈরৈ, ফিজেৎ চাকচা, তশেংনা মৈতৈ লায়রবশিংতনা নম্বা ফুরুপ ওইরি। য়ূমলৈ, কৈরৈ, ফিজেৎ চাকচা, শেল থুম মরাং কায়বদি চাদা ১০ রোমতনি। লেমহৌরিবা অতৈদি ফিভম মওং তাদনা হিংবা কোঙ্গায় অমা ওইরি। অমরোমদা মণিপুরগী পাক চাওবা চাদা ৯২না চীংগী লম ওইরগা মৈতৈনা নম্না খুন্দাবা ইম্ফাল ভেল্লিনা শুপ্নতগী চাদা ৮ খক ওইরি। চীংদা মৈতৈনা খুন্দাবা য়াদবা প্রোটেক্সন তৌদুনা থমখ্রবা মফম ওইহল্লগা তম্পাকলম পীকখ্রবা মফম অসিদনা ফুরুপ খুদিংমক্লা খুন্দাবা য়াহনবা এম এল আর, এল আর এক্ট ১৯৬০দা মরম ওইরগা মৈতৈশিং লৈফম লৈরক্লরোই। মরম অদুনা তুংগী মীরোলশিংগী খল্লগা মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহল্লগা পীকখ্রবা তম্পাক লম অসি কন্নবা ঙাকলৌ থমহৌসি হায়বসিদা চয়েৎ খোয়েৎ তৌনরগুমসি। ঐগ্যাহোয়, থৌরানিহোয়, য়াম্লুংহোয়, সনাইবেম্মহোয়সু হন্দক্কী খোঙজং অসিদা পূন্না শরুক য়ামিন্নরসি। এস টিগী লিষ্টতা চল্লগা জগবোনধু লাৎলোইদবা নত্তে। লাইগী থৌগলসু তৌগনি, কাংসি খিংগনি। কাং চিংগনি, ক্ষেত্রিসু চাগনি, জয় দেব চোংগনি। য়াম্লুং, য়াম্লুংতোন, লৈমশীজ হোয়গী মীংগৌসু মাঙগদবা লৈতে। হন্থবা থাক্তা ঐখোয় হিংগদবা নত্তে। শুপ্নতগী এস টি লিষ্টতা চলহৌবা খক্তনি। ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু ওরিষাগী সন্থালি ত্রাইবনি। মৈতৈ মচা জেনরেল কেটেগোরিদা চনবা কনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, প্রসিদেন্ট, নেভি, এয়র ফোর্স, খোঙ লাম্মীগী মকোক ওইবা কনা য়াওখ্রবগে? মৈতৈ মচাশিংনা মুক্লিঙৈদা তম্পাকলম পূম্বা লাঙ্গোয় চনখ্রিবনি। রেল গাড়ীগা য়ৌরক্লবদি মীতোপকী সুম ওইরকপা শোয়রোই। ঐখোয় ৱাখল তামিন্নরসি।

অটসুম, অস্সম, চীংগী লুচিংবশিংনসু পীকখ্রবা ইম্ফাল ভেল্লিদা মৈতৈশিংনা তুং কোইনা হিংহৌনবা দিমান্দ মচা অমখক তাঞ্জবদা য়েৎপীদনবা খঙহঞ্জরি। মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা য়াওখ্রবদি মণিপুর পূম্বা দোমিনেট তৌখ্রগনি হায়বগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। চীংমীশিংনা ইম্ফাল ভেল্লিদা খুন্দাবদা অথিংবা অমত্তা লৈখিদে। লৈবসু লৈরোই। চপ মান্নবা ষ্টেটসতা মণিপুরদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক নুংশিননা লৈমিন্নসি হায়বগী পান্দমনি। এস টিদা চল্লগা মৈতৈনা কোটা মুনগদবা লৈতে। লৈঙাক্কা ৱারী শানরগা তুং কোইনা চৎনবা য়াগদবা চীংমীগী হক্তসু কায়দবা মখলগী য়ান্নবা অমা পুরকমিন্নবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। শিরোই লিলি ফেষ্টিবেলদা উখ্রুলদা নোংমা নীনিখক ফেষ্টিবেল য়াওরুবা অদু তম্পাকলমগী য়ূমদা হন্নীংবনা খ্রো খ্রো খোৎখি। এস টি দিমান্দসু অটসুমদা তৌবা নত্তে। পীবা ঙম্বসু নত্তে। মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হায়জবগী ৱানি। কনাগুম্বা ফোর্স অমত্তনা থিংবা ঙমগদবা নত্তে। ●




# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৮৯

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

(১০) চনৌ হুইবিনতুগীদি গোবর্দ্ধন পুজা ইরাৎ থৌনা শিন্নেয়ে হায়দব্রা?

(১১) হিয়াংথাং লাইরেম্বী ইমাবু ইনিংথৌ চন্দ্রকৃত্তিগী সনা হাক্তক্তা মীরমগী লাইরেম্বী দুর্গা/কামখ্যা ওইনা লাৎশিনখিবদু হৌজিক্তা নত্তে খঙলকপদগী শুপ্নতগী হিয়াংথাং লাইরেম্বীদমক হায়না থোঙজংদদি থারগা লাইথৌদি মীরমগী ওইনা তৌরিবসি মীয়াম্না লাক্লিবা মেরা থাসিদগীদি ইমা পান্থোইবীগী মচিন্দা লৈরিবদুদা ওইনা থৌনিবনা অচুম্বা ওইরগনি। মসিগী মতাংদা অইবা ইশাগী হান্না ফোঙখ্রবা ৱারেংদা ময়েক শেংনা ইজখ্রে/পঞ্জখ্রে।

**৮) মীরম লাইনীংনা থমাইরম্বশিং পরৈ হল্লকপা:**

মীরম লাইনীং চঙলক্লবা মতুংদা মরা চেৎহন্নবা হোৎনবদা নত্তনা তৌহৈদবা কয়া তৌদুনা ইফুরুপচাশিংদা অনম অহা চুহল্লম্বশিং মথং মথং কোকথোক চামথোক্তুনা শেংদোকপা হৌরক্লবনিনা ইনাৎ লাইনীং লাইশোন্দা অমুক হঞ্জিনবা হায়বসি মহৌশানি। মসিগী মতাংদা হন্দক্তা পাউচেশিং খরদা য়াওখিবা থৌরমশিং অদুমক নীংশিংজবগী খুদোংচাবা লৌরগা মখাগী অসুম্না থমজরি।

i) “মৈতৈগী ইশু-ইশৎপা থৌরম পাঙথোকখ্রে”, হুইয়েন লানপাউ, চৈচৎ ২০-৭-২০২২ ইং ইঙেনগী ২২নি পানবদা ফোঙখিবসিদা - জুলাই ১৯, ২০২২ ইংদা মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ননা শিন্দুনা ইম্ফালগী অহানবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী কেম্পসতা লৈবা হয়িং খোংবানগী নোংপোক নিংথৌ অমদি ইমা পান্থোইবী অনীগী মফমদা ইরাৎ থৌনি তৌদুনা ইশু-ইশৎপগী থৌরম পাঙথোকখিবসি নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী ইমা ইপানা - ইমা অমাইবী সনাদা লাইপাউ পীরকপদগী পাউ চেল্লক্তুনা পাঙথোকখিবনি খঙজবদা য়াম্না অপেনবা নুংঙাইবা পোকচৈ। মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়নগী সোসল এন্দ রিলিজনগী সেক্রেটরি অমসুং অমাই থৌদাং পুরিবা নন্দলাল অঙোমচানা হায়খিবদা শান্তিদাস গোসাইনা ঐখোয়গী লাইরিক কয়া মৈ থাদুনা মাঙ তাকহনখিবদগী মৈতৈ ফুরুপ্তা অনম-অহা চুবনা শিল্লম-শিন্থা পাঙথোকপা ঙমহন্দবদা নত্তনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লিংজেল মান্নরমদবা ফত্তবা কয়াবু হন্দোকহন্দুনা ইরমদমগী মৈতৈ ফুরুপ্পু কঞ্জনবগীদমক ঙসি জুলাই ১৯, ২০২২দা ইশু-ইশৎপগী থৌরম পাঙথোকখিবা মীয়ামগী য়াইফনবনি। লাইরেম্বা লাইরেম্বীগী থৌজালদগী হান্নদগী অনম অহা চুরক্লবা মীতৈ ফুরুপশিং ঙসিদগী তৌরু তৌরুবা থবক খুদিংদা মায় পাকপা পীনবীদুনা লনগী থোঙ হাংবীদুনা অৱা-অনা, লাইথুং তিন্থুং কয়া কোকপীনবা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী থৌমীশিং অমদি লাইথৌ ৬৯গী ঈংবা মঙাং অমদি মীওই কয়ানা শরুক য়াখিবদুদা, সুনিলনা পেনাগী থৌগল তৌরগা সেমোনু ইমা লাঙ্গোলগী থৌমীশিংসু শরুক য়াবিখিবসি ইফুরুপচাশিংগীদমক্তদি য়াম্না মতাং মতম চারে খঞ্জে।

ii) সঙাই এক্সপ্রেস, জুলাই ২১, ২০২২ ইংগীদা ‘কংলা ইথোঙ ফাৎপা, উক্রোং হোংবা পাঙথোকখি’ হায়বা কেপসন অসিগী মখাদা জুলাই ২০, ইঙেন থাগী ২২নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎসিদা সনা কোনুং উত্রা শঙলেননা শীন্দুনা থৌরম অনী পাঙথোকখিবদা- কংলা ইথোঙ ফাৎপা হায়বিসিনা নোংদা লাইরেল পাখংবগী মতমদগী চথুরকপা চাকনম ফিনমখিবা অমোৎপা ফত্তবা পুম্নমক চহী চুপ্পা কংলাদা তৌখিববু ফোঙদোক্লবা থৌরম অসি কংলাগী সনথোং চীথেক লৈমরেল লোক্তাক তাবা মরূ হায়না খঙনবা মফমদা পাঙথোকই।

অদুগা কংলা উক্রোং হায়রিবা থৌরম অসিনা অদুঙৈ চোথে থৱায় পাখঙবগী ৱারীবু নীংশিংদুনা ইবুধৌ পাখঙবগী মফমদা, কংলাদা উক্রোং হোংবগী থৌরম্বু পাঙথোক্তুনা লৈবাক চাকহোং ঙাহোংনবা পাঙথোকপনি।

হায়রিবা লাইথৌ থৌরমশিং অসি ফম্নাইবশিং, অমাইবা, অমাইবী অমদি পেনা অশৈবা য়াওনা পাঙথোক্তুনা লৈবাক্কী য়াইফনবা পাঙথোকপা থৌরম ঙাক্তনি। মতম শাংনা পাঙথোক্লুদ্রবা মতুংদা পাঙথোরকপসি অফবা অমনি।

iii) সঙাই এক্সপ্রেস, জুলাই ২২, ২০২২ ইংদা ‘পাখঙবা মীকোল চঙবা থৌরম পাঙথোকখ্রে’ হায়না ফোঙখিবসিগী মখাদা - পাখঙবা মীকোল চঙবা লাইথৌ অসি ইবুধৌ পাখঙবনা মালেম শিনবা থুংনা চৎতুনা অৱাৎ-অপা কয়াবু য়েংশিল্লুরগা কংলৈ কংলাদা হল্লকখিবা নুমিৎনি হায়না মৈনা ৱাই তাংনা শম লাই হাক্তক্তগী চথুদুনা লাকখিবা ইঙেনগী ২২নি পানবা অসিদা লাইগীনা মমৈ নমু পোং তাইবঙ মীগীনা মকোক ওইরিবা ইবুধৌবু নোংয়াই ইচিক হুল্লবা মতুংদা ওকচদুনা খয়োম থাজদুনা মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবা অহিংবা মখল খুদিংমক য়াওনা ঈংনা চিক্লা পাঞ্জবা ঙমহনবীনবা থৌনিজবনি।

লাইথৌ অসি উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শিল্লগা ইঙেনগী ২২নি পানবদা সনা কোনুংগী ফম্নাইবা, মাইচৌ, অমাইবা, অমাইবী, পেনা লোয়শঙশিং অমদি উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) গী সেক্রেটরিনা লুচিংবা খূৎপু অমসু য়াওনা অহিং মীৎশেল খাংদুনা লৈবাক অমদি মালেমগী লাইধৌ পাঙথোকখিবনি হায়রি। মদুদা মাইচৌ অতোনবা থাংজম রাজুনা ঈরোলনুংদা ঈতাইনদুনা ইবুধৌদা খয়োম থাখি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পাউচেদসু নুমৎসিমক্তদা চপ মান্ননা ফোঙখি।

৯) মশানা পামজনা লৈফম হোংখ্রবা মীরম লাইগী মহুত্তা লাই কনাবু ঈরাৎ থৌগল তৌগনি?

লম অমদা লৈরম্লগা মশানা পামজবা অতোপ্পা লম অমদা লৈফম হোংদুনা লৈখ্রবদি হান্নগী মফমদুদা মহাক মশা লৈত্রে হায়বসি অচুম্বনি। মসি মখল খুদিংমক্কী ওইবা অচুম্বনি। থাংদোক থাংজিন য়াবা পোৎশিংদসু অমুক থাংবা অমুক লৈবা হায়বদসু চুমই হায়বসি দুকানশিংদা ইরায় লায়না খঙই। গোদাউন্দা পোৎ অমুক য়াম্না পৈবা অমুক হাঙবসিগুম্বনি। গোদাউন্দা হান্না লৈরম্বা পোৎশিংদু/পোৎতু লৌথোকখ্রবা মতুংদা পোৎ অমত্তা অমুক থমদ্রবদি মফমদু হাঙদুনা অদুম লৈরগনি হায়বসিসু অচুম্বনি। অদুবু তাংজ লিনগী মতাংদদি মফম অমদা মশাগী অরিবা হায়বদি চহী কুইনা পুন্সিরক্তুনা, শিবা নাইদে হায়নবদু খঙহন্নবা/উৎনবা, কনাগুম্বনা করিগুম্বা মরম অমদগী শিনবা মরম ওইবা লৈত্রবদি, মশাগী অরিবা মকুদু হুদোক্তুনা থনম্লগা অনৌবা মপোক অমগুম্না হায়বদি মশা নৌথোক্লগা চৎখি হায়নৈ। মশানা পামজনা হুন্দোক্লম্লবা মকুদুদি মশাগী মপান্থোংগী ওইবা শকপালদুতনি, মাগী থৱায় মিরেলদুদি অহিংবা মশাদুগী অশেংবা শকপানগা লোয়ননা চৎখ্রে হায়বসি য়াফম থোকই। মকুদুনদি অহিংবা মশাদুম্না মতিক ময়াই লৈত্রবনিনা করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রে হায়বসি লোইনা খঙনৈ।

মথক্কীসিদা মরী হায়ফেৎ লৈননা লমাবম গোজেন্দ্রনা খোমজিনবা ‘মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র’ হায়বা লাইরিকসিগী চেমায় ২৮গী লোইরমদাইদা অসুম্না য়াওরি “.... থৌদোকসিদগী শ্রী গোবিন্দজীনা মনাই শিজ লাই ওংবীদা “ঐগী মুর্ত্তি অসিদি মণিপুর সনা লৈবাক্তা অসুম্মক লৈহৌরসনু, নঙ ঐ তত্তনা উনবদা কায়রোইদবা মফম শ্রীধাম নবদ্বিপ্তা চৎলসি। মফমদুদি ঐগী মুর্ত্তিসি গৌরবর্ন ওইবনি... অভিষেক লোইবগা ঐবু পুদুনা গঙ্গা তীর্থ শ্রীধাম নবদ্বিপ্তা লৈরুরসি।”

লাইরিকসিমক্কী চেমায় ৩৯গী ৪শুবা মকক্তা অসুম্না ইরি - “লম অসিমক্তদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা খৃ: ১৭৯৮ ইংদা অনুপ্রভুগী মুর্ত্তি লাৎখি। রাজর্ষিগা লোয়ননা লাকখিবা শিজ বিম্বাবতি (শিজলাইরোইবী) সু মফম অসিদা সেবা চত্তুনা মহাক্কী অরোইবা মতম ফাওবা লৈরম্মী।” ●